# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-07-2024)**

**শরেং (এল)ঃ** মনিপুরদা শরেং প্রোজেক্ট মায় পাকা পায়খৎপদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগ অমসুং থৌবাল জিলাগী তেন্থা খুনৌদা লৈবা ঙামী অমনা শরেং মায় পাকা মচা কোকহনবা ঙম্বা অসি চাউথোকচনিংঙাইনি। রাজ্য সরকারনা মুৎখিগদৌরবা মীতৈ শরেংবু শরেং প্রোজেক্টকী মখাদা অমুক হন্না প্রোজেক্ট অসি পায়খৎতুনা হিংগৎহন্ননবা থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি। মসিগী মায় পাকপা ওইনা হন্দক্তা ঙা মখল অসিগী মচাশিং রাজ্য অসিদা পুথোকপা ঙম্বনি। শরেং মচাশিং মায় পাকা পুথোকবা হোৎনবদা বিভাগ অসিনা অমসুং ঙামীশিংনা লৌখিবা থৌদাংবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**ঈচাউ(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা অপুনবা রিলিফ কেম্প ১৩ হাংদোক্লি। ঈশিং ঈচাও অসিনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা হৌজিক ফাওবদা লৈকাই ১৫ গী মী লিশিং ১১ রোম অমসুং য়ম ৮৫০ রোম মাং তাকহনখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামদা সরকারগী তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঈশিং ঈচাওনা মাঙ তাকহনখ্রবা মফমশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ট্রেসননা য়েংশিনবগী থবক চথুবা হৌরে। কোংবা অমসুং ইরিল তুরেল কায়রকপদগী পাথারকপা ঈশিংনা শোকহল্লবা মফমশিং মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা চৎতুনা য়েংশিনখি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কৈরাও অমসুং ক্ষেত্রিগাউগী ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং চৎতুনা

য়েংশিল্লুরে অমদি ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং মনুংশিংদা খুদক্কী ওইবা তেংবাংশিং পীননবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখ্রে। মসিগী মথক্তা তুরেল লৌনম্বাল কায়রকপা য়াবা মফমশিং খঙদোক্তুনা শেমজিন্নবা পাউতাক পীখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং এম.এল.এ. রামেশ্বর মীতৈ লোয়নখি।

**বেল (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস এসোসিয়েসন-চুরাচান্দপুর চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট অমদি গভরমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপাব্লিক ওফ কুকি লেন্দগী মশানা মশাবু প্রসিদেন্টনি হায়জবা ডা: মার্ক টি. হাওকিপকী বেল পীবগী ৱাফম মনিপুর হায় কোর্টনা অমুক হন্না জ্লাই ১৯ দা খন্ননবা মতম থাখ্রে।

ডা: মার্ক টি. হাওকিপ অসি ফেজ বুক্তা মনিপুরদা কাংলুপকী ইরাং থোকবা কম্ম্যুনিএল ওইবা ৱারোল কয়া থাগৎপা অমদি ভারতপু মচেৎ তাহন্নবগী লান চথনবা হোৎনৈ হায়বগী মরালদা মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইং ২০২২ গী মে ২৪ দা ন্যু দিল্লিগী কিষানঘরদগী ফাখিবনি। মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অদুগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন য়াওদে হায়দুনা এন.আই.এগী স্পিসিএল কোর্ট অমনা ২০২৩ গী মার্চ ২৮ দা বেলদা থাদোকবা ওর্দর অমা পীখি। এন.আই.এগী কোর্টনা ডা: মার্ক টি. হাওকিপপু বেল পীবগী ওর্দর অদু মনিপুর সরকারগী এদভোকেট জেনরেলনা চৎনহন্দনা থন্বীনবা মনিপুর হায় কোর্টতা হায়জরকপদগী বেল অদু ককথৎখি।

ঙরাং মনিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস-সিধার্দ ম্রিদুল অমসুং জষ্টিস-এ. গুনেশ্বরগী বেঞ্চ অমদা চথখিবা হিয়ারিংদা ইং ২০২৩ গী মার্চ ২৮ দা মার্ক হাওকিপকী বেল চৎনহন্দনবা থমখিবা কোর্টকী ওর্দর মখা তানা চৎনহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা দিফোল্ট বেলগী হিয়ারিং লাক্লিবা জ্লাই ১৯ দা পাঙথোকবা মতম লেপখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা কাংপোকপী জিলাদগী মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবমা মরু তরেৎ, টোকিং অনি অমসুং ৱায়রলেস সেট অমা ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা গাড়ি ৪৬৫ পুশিল্লকখি।

**দেদ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট ৱান অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা মমাং থাগী ৩০ দা শিনা ফংখিবা অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগা মুখ্য মন্ত্রিগা ঙরাং ৱারী শান্নরবা মতুং য়ান্নবা অমা পুরকপদগী অশিবা হকচাং লৌরবা মতুং মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-অশিবা হকচাং অদু ঙরাং নুংথিল জে.এ.সিনা পুরক্লবা মতুং মীয়ামনা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

**লম্বী(এল)ঃ** আই.কে.টি. রোর্ড প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা তমেংলোং জিলাগী ফালোং থ্রিগী খুঞ্জাশিংনা লম্বী শেম্নবগী থবক অসি লেপ্পীনবা মরি লৈনবশিংদা তকশিনদুনা লাক্লি। পুমতিয়াং দিবলপমেন্ট কমিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-মরি লৈনবশিংনা মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীবিনবা তকশিনদুনা লাকপনি। অদুমওইনমক, মদু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী খুঞ্জাশিংনা লম্বী শেম্নবগী থবক অসি মখা তানা থিংজিনখিগনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী কে.মোলনোম খুলদা সেক্যুরিতিগী মীফম অমসুং মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। সেক্যুরিতিগী মীফম অদুদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন মরিগী মীওই ১৭০ হেনবনা শরুক য়াখি। মফম অদুদা পাঙথোকপা মেদিকেল কেম্প অমদা মীওই ৭০ হেন্না লায়েংবগা লোয়ননা লেমা হিদাক লাংথক খুৎশিন্নখি।

**মেট ঃ** মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা শরুক অমসুং উত্তরাখন্দদা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি হায়না রেড এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

চেরোল অমদা বিভাগ অসিনা হায়-ঙসি পঞ্জাব অমসুং নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেসতা অকনবা নোং চুগনি। অদুগা উত্তরাখন্দ অমসুং নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেসতনা হয়েং ফাওবা নোং চুগনি। লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ্পদগী কল্লপ নোং চুগনি। মসিগী মথক্তা নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেস অমসুং সব-হিমালয়ান ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী মফম খরদা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, অসামদা হৌজিকসু মীওই লাখ ২৪ হেন্না ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। ব্রহ্মপুত্র য়াওনা রাজ্য অদুদা চেনবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। মফম কয়াদা মখা তানা নোং চুবদগী লৌবুকশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মানা ঙরাং দিব্রুগরগী ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিনখি। মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামদা তেংবাং পীবগী থবক চথুরি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং আমদ ফোর্সেস, সেন্ত্রেল আমদ পুলিস ফোর্স, ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী পুলিস পার্সোনেলশিংদা গেলেন

টরি এৱার্ড ৩৬ খুৎশিন্নখ্রে।

রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকপা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা দিফেন্স, ইনভেষ্টটিচর সেরেমোনিদা মনা অদু খুৎশিন্নখিবনি। মনাশিং অদুগী মনুংদা-কিরতি চক্রা তরা অমসুং সাউরিয়া চক্রা ২৬ য়াওরি। মসিগী মনুংদা পার্সোনেল তরেৎ-তরেৎতা লৈখিদ্রবা মতুং কিরতি চক্রা অমসুং সাউরিয়া চক্রা মনা পীবনি।

মনাশিং অসি মখোয়না মথৌ তৌরিঙৈদা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌনা ফনা য়েকবশিংবু মায়োকখিবা অদুগীদমক শিংথাবা ওইনা পীবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা মফমশিং মুখ্য মন্ত্রিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউ, মনিপুরগী ইরাং য়েংশিন্নবা রাহুল গান্ধি জ্লাই ৮ দা ইম্ফালদা লাক্কদৌরি হায়বা পাউ অমদি কুকিলেন্দগী প্রসিদেন্ট মার্ক টি. হাওকিপকী বেল ওর্দর ষ্টে তৌখ্রে হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা-মনিপুরগী ইরাং অসিগী কোর ইশুদি গভরমেন্ট মথৌ তৌহন্দনবা থল্লিবা অসিনি হায়বা এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোলগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-জ্লাই ৯ ফাওবদি মনিপুরদা নোং লৈরি। মমাংগী ঈচাওদা ঈশিং থুমখিবা মফম খরা নৌনা অমুক থুমজিল্লক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। জ্লাই ৮ দা রাহুল গান্ধি মনিপুরদা লাক্কদৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সনা লৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর ন্যুজতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুর লৈঙাক অমদি বি.আর.টি.এফতা এস.পি. রোড কমিতিনা কেস তৌননবা শেম শাখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন

তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস অমদি মনিপুর ন্যুজতসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-জিরিবামগী মতাংদা ৱাকৎলকপা কমপ্লেনেন্ট অনিদা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেরোল হায়বা হেদলাইন মখাদা জিরিবামদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং, কম্মান্দো ১৩৮ থাখ্রে হায়বগী লিষ্টতা জেলদা থল্লিবা নৎত্রগা লৈখিদ্রবশিং য়াওরল্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা কৈরাউ অমসুং ক্ষেত্রিগাউদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম সি.এমনা য়েংশিনখ্রে, জিরিবামদা ইংনা চিকা লৈনবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নরে হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। চীফ মিনিস্তরনা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখিবগী পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর ন্যুজ, মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-কুকিলেন্দগী প্রসিদেন্ট-মার্ক টি. হাওকিপগী বেল ওর্দর ষ্টে তৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

মনিপ্র ন্যুজতা-ঈচাওনা চৈথেং নংলবশিংগী অথুবগী ওইনা মতেং পীনবা সেন্টরদগী পেকেজ লৌনবা চীফ সেক্রেটরি-বিনিত যোসি দিল্লিদা থাখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কুকি এম.এল.এশিংনা সেক্যুরিতি মতিক চানা পীবিনবা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

৭৫ শুবা বনমহোতসব থৌরমগা মরী লৈননা সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজননা উ চারা কয়া থাখিবগী পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-কেন্দ্র সরকারনা এন.আর.সি. চৎনহল্লকপদা অয়েৎপা

পীরোই, য়ুনিয়ন টেরিটোরি দিমান্দা অহোংবা লৈতে হায়না কুকি ইনপি মনিপুরনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা ঈচাও তোয়না থোক্লিবা অসিগী হ্বাইট পেপর অমা পুথোকবা ইরাবত ফাউন্দেসন মনিপুরনা সরকারদা দাবী তৌরি হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।